# ৪৮ শুবা ওল মণিপুর শুমাং লীলা ফেষ্টিবেল২০১৯-২০ হৌখ্রে



অসিগী পূন্সিগী মশকনি। মীয়াম্না য়াম্না খোয়দবনা য়োকখৎলিবা কালা অমা ওইবনা থোয়দোক্লা শৌগৎলুদ্রবসু মরোমদোম হীংজবা ঙমলে হায়দুনসু ইরমদম অসিগী লৈহাওগা চুশান্নদবা কয়া অমা, অহোংবা ওইনা পুরক্লবদি, মীৎকী কুমহৈ ওইনা নুংঙাইরবসু মসিনা মরোইরে হায়বা য়ারক্তে! অসিগুম্বা ফিঙম অসিদদি হিমাই চুমদনা চৎহনখিদনবা হায়বা পান্দম অমগা লোয়ননা মণিপুর ষ্টেট কালা একাদেমিনা পাঙথোক্লিবা ফেষ্টিবেলনি।

৪৮ লক শুবা ওল মণিপুর শুমাং লীলা ফেষ্টিবেল ২০১৯-২০ নুপী শুমাং লীলাগী কাঙলূপ ১৪ অমদি নুপাগী কাঙলূপ ৯ না শরুক য়াদুনা নুপা অমসুং নুপী শুমাং লিলাগী অথোয় অহেন চাঙদম্নদুনা পাঙথোক্লি।

অয়েংবা ভাবোকশিংনা ঈশিং ওইদুনা আর্টিষ্টশিংনা ঙা ওইদুনা অমত্তা ওইরবা মতমদা মপুং ফাবনি। ঈশিং য়াওদনা ঙানা হিবা ঙমদবগুম্বা, কলা তৌজরিবশিংগীদি ভাবোকনা থব্রায়নি। খুদিংমক ভাবোক য়াওদনা হিংবা ঙমদে। অদুবু কন্টেম্পরি শুমাঙ লীলা মীয়ামগা হেন্না নকশিন্নবা মীয়াম্না হেন্না পাম্নবা কলা অমা ওইবনা অহিংবা কলাগী মশক মীয়াম্না উবা ফঙলি। অমরোমদা ট্রেদিস্নেল শুমাঙ লীলাবু য়োকখৎচবা হোৎনরিবা নুপী শুমাঙ লীলাগী কাংলূপশিংনা লৌরিবা থৌদাং অমদি ওইরক্লিবা ওইরকপা য়াবশিং কুপ্না নৈনবা তঙাইফদ্রে।

ইরমদম অসিগী, ইরোল, মার্সিয়েল আর্ট, ফিরেপ, ফিদুপনচিংবা লোয়ন-লোয়ননা ইরমদম অসিগী মহা কবয়া অমা ওইরিবা খম্বা থোইবী হায়রিবা ইপিক অসিগী নুংগী ওইবা ফজরবা কয়া অসিবু ঙসিগী অমদি তুংগী মিরোলদা ময়েক শেংনা খঙহন্নবগী পান্দম অমগা লোয়ননা ফজখ্রবা মোইরাং প্রভা গী শক্তম্বু মাঙহন্দনা থম্লম্নবগী হোৎনবদা নুপীশিংগী শুমাঙ লীলা কাংলূপশিংনা লৌরিবা থৌদাংশিং তরাইনা লৌবদি অরানবা ওইগনি হায়ব মীপুম তিংনা খঙনরবসু য়োকখৎপীনবা, শৌগৎপীনবা ভাবোকশিংগী তঙাইফদবা লৈ। অমরোমদনা মোইরাং প্রভ গী মশক অসিনা মাঙখিবা হায়বসিদা তরাই-তরাই লৌবদি চুস্লোই।

মতম চঙনা লীলা অমা ব্রানা পানখৎচরগা এম এস কে এনা শীন্দুনা পাঙথোক্লিবা ফেষ্টিবেল অসিদা অমুক্তং উৎলগা অনীরক শুনা উৎনবগী খুদোংচবা লৈরমদবা অদু ঙসিদি চীং-তম য়ুনাইটেদ ব্রুমেন এসোসিয়েসননা শীন্দুনা পাঙথোক্লিবা মোইরাং প্রভা গী ফেষ্টিবেল পাঙথোকপা কয়া অসিনা শুমাং লীলা ঙসিসু মীয়ামগা য়াম্না নকশিন্ননা চৎমীন্নরিবা প্রফোমিং অর্টফোম অমা ওইরি। অসিগুম্লবা লমদম অসিগী তাঙলবা কালা অসি তুংগী মীরোলগীদমক্তা থনম্নবা হোৎনদবা য়াদে হায়বা পান্দম অমগা লোয়ননা মণিপুর ষ্টেট কালা একাদেমিনা লীশাং শীৎনা অচৌবা থৌদাং য়াদুনা লাক্লি। আর্টফোম খুদিংমক খুনাই অদুগী পামজবা য়ুমফমদা শাগৎপা ঙাক ওইরবসু ঙসিগী মীওইশিংগী পূন্সি ঈচেলগা খ্বাইদগী নক্লনা চৎমিন্নরিবা কালাশিংগী মনুহদা শুমাং লীলা, শীংথানিঙাই ওইবা প্রফোমিং আর্টফোম অমনি।

তশেংনমক শুমাং লীলা খুনাই



লীলারোইশিংদা অনৌবা থৌনা অমদি ওইরি। মসিদা নত্তনা হৌখিবা চহী ২০১৯দগী এম এস এস এল সি না শীন্দুনা এন ই জেট সি সিগী শেন্থং মখাদা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা নুপী শুমাঙ লীলাগী ব্রার্ক্সোপনা লীলারোইশিংদা অনৌবা থৌনা অমা ওইরি হায়বা অসিগী খুদম হৌজিক চৎথরিবা এম এস কে এগী ফেষ্টিবেল অসিগী অহৌবা শরুক্তা চৎথরিবা নুপী কাংলূপকী লীলাশিংদা ময়েক শেংনা মমি তারি।

চহী খরগী মমাঙদা য়েংবিনবা লৈত্তনা উৎত্তবা য়াদবগী মমিংগীতা ওইনা উৎলম্বনা নুপী শুমাঙ লীলাগী শক্তম অসি মাঙখ্রগদরা খঞ্জরম্বা অদু ঙসিদি অহোংবা মশক অমদি উবা ফঙলে। চহী খরা অসিদা নুপী শুমাঙ লীলাগা ভাবোকশিংগা লৈনরিবা মরী অসি ফগৎলকপগী মমি তারিবা অসিমক্তী অফবা খুদম অমনি।

চৎলিবা চহী ২০২০ অসিগী ফেব্রুৱারি ১২ য়ূমশাকৈশা নুমিৎতা, ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউদা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাঙ লীলা শঙলেনদা অচম্বা থৌরম অমগা লোয়ননা হৌদোকখিবা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমিগী ৪৬ শুবা ওল মণিপুর শুমাঙ লীলা ফেষ্টিবেল ২০১৯-২০ অসিদা নুপী অমদি নুপা শুমাঙ লীলাগী কাংলূপ ২৬ না শরুক য়ারি। নুপীগী কাংলূপ শরুক য়ারিবশিং অদুদি ঃ-

১। থাংজম আর্ট এন্দ কলচরেল একাদেমিগী লীলা "হাওনু তোমশোন"
২। ইম্ফাল থিয়েটরগী "খম্বা থোইবী শায়োন"
৩। ব্রুমেন ডান্স এন্দ দ্রামটিক য়ুনিয়ন "পুব্রারী পাউজেল"
৪। ওল মণিপুর ব্রুমেন আর্টিষ্ট এসোসিয়েসনগী "লোই কুম্বা"
৫। সিব যাত্রা কম দ্রামাতিক এসোসিয়সনগী "লোই থাবা"
৬। দি কংজাবী মৈতৈ চনু আর্টিষ্ট কম দ্রামাতিক এসোসিয়েসনগী "সনা খিং খিং ঙানবা"
৭। দি চনুরা যাত্রা কম দ্রামা এসোসিয়েসনগী লীলা "লমখৈ ব্রাথোক"
৮। দি চীঙ্গু থাংজিং ব্রুমেন আর্টিষ্ট এসোসিয়েসনগী "ইথাই কাইরেম্বা"
৯। ব্রুমেন্স আর্ট এন্দ কলচর এসোসিয়েসনগী লীলা "পুখ্রি মপালগী সনারৈ"
১০। মালোম পান্থোইবী আর্টিষ্টগী লীলা "খম্বা-খমনু"
১১। ব্রুমেন ফোর কলচরেল সেন্টরগী "তাংখুল সারম পাখঙবা"
১২। ব্রেষ্টন কলচর এসোসিয়েসনগী "খুমন মৈলৈ"
১৩। দি মৈতৈ লৈমরোল আর্ট পার্ফোমিং সেন্টরগী লীলা "নুঙঙৌগী তেংথাখোল"
১৪। য়াঙম লৈরক নুপী লীলা এসোসিয়েসনগী "ককয়েন শাজৌ অথৌবা"

হায়রিবা অসিনা নোংমদা সো অনী অনী উৎতুনা চৎলিবা থা অসিগী ১৯ ফাওবা উৎকদৌরি।

ফেব্রুৱারি তাং ২০ দগী ২৮ ফাওবা নুপা শুমাঙ লীলাগী কাংলূপ অমা ওইরিবা

১। পীছ মেকর আর্টিষ্ট এসোসিয়েসনগী "নুংশি লমন"
২। অপুনবা আর্টিষ্ট এসোসিয়েসনগী লীলা "অমনবা খাও"
৩। সঙাই আর্টিষ্ট এসোসিয়েসনগী "থম্মোয়গী মখোল"
৪। ইরমদম মণিপুর আর্টিষ্ট এসোসিয়েসনগী "নচা লানজরে ইমা"
৫। সনালৈবাক নাচোম আর্টিষ্টগী "লৈকংদা থম্বাল"
৬। লমজিংবা আর্টিষ্ট এসোসিয়েসনগী "চৈরাক"
৭। নহারোল খোঙথাং আর্টিষ্ট এসোসিয়েসনগী লীলা " ওলাং মৈশা"
৮। মমি আর্টিষ্ট এসোসিয়েসনগী "খোঙনুঙগী বাঁসি
৯। নোংইন শুমাঙ লীলা আর্টিষ্ট এসোসিয়েসনগী "চেগাই নত্তে সনানি" হায়রিবা শুমাঙ লীলা অসিনা নুপা লীলা কাংলূপকী চাং দম্নবদা শরুক য়ারি।

## ঐচ রাজেসে

# মহৈরোইশিংগী খুদোল



*TITLE,: CAULIFLOWER*
**Chanambam Yaiphabi Devi**
Class: IV Sec :A, Roll No-6
School: UNACCO SCHOOL MEITRAM





*TITLE,: MILKY MOUSE*
**Hijam Tomthinnganba**
Class: IV Sec :B, Roll No-13
School: UNACCO SCHOOL MEITRAM





*TITLE,: SCENERY*
**Laishram Lanchenba Meitei**
Class: IV Sec :B, Roll No-15
School: UNACCO SCHOOL MEITRAM





*TITLE,: DOLL*
Jessica Takhellambam
Class:IV Roll No- 1
School:PROGRSIVE ENGLISH SCHOOL, LAMDING





*TITLE : SCENERY*
**Luwanganba Mayengbam**
Class: II Sec : A Roll No:19
School: IMPHAL PUBLICSCHOOL





*TITLE,:UIBRANT TEDY*
**Ngangom Pibarel Meitei**
Class: IV Sec :B, Roll No-24
School: UNACCO SCHOOL MEITRAM





*TITLE,: SCENERY*
**Ovama Loitongbam**
Class: IV Sec :B, Roll No-36
School: UNACCO SCHOOL MEITRAM





*TITLE,: SCENERY*
**Phairembam Italy Devi**
Class: IV Sec :B, Roll No-26
School: UNACCO SCHOOL MEITRAM





*TITLE : BOAT*
**Ishwarchandra Naorem**
Class: KG Roll No: 9
School: KIDS FOUNDATION





*TITLE,:DOLL HOUSE*
**Princenanda Laishram**
Class: K.G Sec : A Roll No : 26
School :PREMIER ENGLISH ACADAMY





*TITLE,: DEER*
**Shreyansh Thoudam**
Class: IV, Sec :B, Roll No-41
School: UNACCO SCHOOL MEITRAM





*TITLE,: PARROT*
**Verronica Shougrakpam**
Class: IV, Sec :B, Roll No-30
School: UNACCO SCHOOL MEITRAM





*TITLE,: SCENERY*
**H. Lanchenbi**
Class: IV, Sec : Crust,
School:HRITAGE CONVENT



APOLLO ACADEMY
Moulding Medical & Engineering Career
ADMISSION OPEN
FORM ISSUE 14/02/2020
CRASH COURSE FOR NEET(UG) ASPIRANTS - 2020
CLASS STARTS 16/03/2020
SPECIAL CONCESSION FOR STUDENTS SCORING in X (2018)/XII Sc. (2018/2019)
* 85% & above - FREESHIP * 75% to 85% - 20% Concession
* 65% to 75% - 15% Concession * 60% to 65% - 10% Concession
ELIGIBILITY :- 10+2 (Sc) Passed/ Appeared COURSE FEE :- RS. 10,000/-
FOR DETAILS :- Plz. Contact APOLLO Office, Kwakeithel Bazar, Near AMUCO Office.

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com